HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



তোপ খোংনাংখোঙদা লৈবা অকোয়বগী মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক অনী লৈবা য়ারোই, মণিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোকউ হায়না প্রোটেষ্ট তৌখিবা

‘এসেমব্লী সেসনদা নাগা অমদি কুকিগী এম এল এশিং শরুক য়াবীয়ু’
লামায় ২

অহুমশুবা নুপীলাল অমা
লামায় ৪

হৌজিক থোক্লিবা লানগী হৌরকফম
লামায় ৫

মৈতৈনা য়ুম মৈ থাই হায়নবা হোৎনবনি : টি ঐচ নগেন্দ্র
লামায় ৬

ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা খোইশাওনরবা নুপীশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, সী এম নোংথোম্বম বিরেন অমদি এ শর্দাগী মীতম মৈ থাখিবা



Vol. 47, Issue No. 134 | নোংমাইজিং, থৱানগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 06, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# য়ুমদা তূমদুনা লৈরিবা মীতৈ ৩ চিংথোক্তুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎখ্রে
# খূৎ থোক্লবদা কুকি ৪ শিরে, ৫ শোক্লে, য়ূম কয়া মৈ থাখ্রে





**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা মে ৩দগী লান দারকপদগী মীতৈ মীচম কয়া শিবদা নত্তনা ওৎ নৈরকপদগী খম থেংনা শাওনরিবা চৈরক অসিদা অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগুম্না ঙসি অয়ূক অঙনবা চাওরাক্লা অয়ূক পুং ২ রোম তাবা মতমদা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্ট খরনা ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্বাক্তা লমখাই ৱার্দ নম্বর ৮দা তূমদুনা লৈজরিবা মীওই অহুম য়াম্না তমথীবা মওংদা য়ূমদগী চিংথোক্তুনা হাৎখ্রে।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীনুংশি য়াওদনা থাঙনা য়ানবগী মথক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীরম্লবা মীওই অহুম অদুদি য়ুম্নাম পিশক (৭০) মহাক্কী মচানুপা ভি দি এফ ওইবা য়ুম্নাম প্রেমজিৎ অমদি য়ূমথংনবদা লৈবা য়ুম্নাম জিতেন (৫৪) নি। ক্বাক্তা লমখাই ৱার্দ নম্বর ৮ হায়রিবা মফম অসি মুসলিমশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈবা মফম অমনি। লোয়ননা সিক্যুরিটি মরাং কায়না ঙাক্তুনা লৈরিবা বফর জোন এরিয়া অমা ওইরিবা মসিগী মথক্তা মীতৈ পাঙলশিংনা নম্না তারিবা মফম অদুদা মতৌ করম্না খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চঙশিল্লক্তুনা মখোয় অহুম্বু হাৎলম্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

পাউ অদু হেক ফংবদা মায়কৈ অদোমদা লৈবা খোইশাওনরবা মীয়াম্না হান্না লাঞ্জেন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা কুকিশিংনা লৈরম্বা ক্বাক্তা উখা তম্পাক্কী মী লৈত্রবা য়ূমশিং মৈ থাখি। মৈ থারিঙৈ চৈরক্তা ক্বাক্তা লমখাইদগী মিটর ১০০ রোম লাপ্লা লৈবা গোথোন কুকি খুলনচিংবা মফম কয়াদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা খুল ঙাকপা অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংগা খূৎ হন্নদুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি। মতম অদুদদি থোইনা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু মখা তানা নোংমৈ কাপ্পরকপদা কুকি মিলিটেন্ট ৪ শিখি অদুগা ৫না শোকখি হায়রি।

অকনবা মওংদা কাপ্পখিবা থৌদোক অদুদা ক্বাকৈথেল ময়ায় কোইবীদা লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী কম্যান্দোগী পর্সনেল পি এ সিংহ এলিয়জ এপোলো কৌবা পর্সনেল

## কুকি-জো নুপী লিশীং ৭ অমসুং নুপা লিশীং ৩ লোম থোমজিল্লক্তুনা জে সী বি ৫ শীজিন্নরগা তোর্বুং বাংলাদা লৈরম্বা মীতৈগী য়ূম ১০০ রোম তেমথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী লেপ্তুনা চথুরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈ থুগাইরগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি হায়রিবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী অকনবা লান লেপত্রিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি অহুল্লকশুবা ওইনা হাওলাইখোপী কুকি খুল মনাক্কী তোর্বুং বাংলাগী এরিয়াদা মখোয়গী লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং লৈরোল চনগনি থৌরাংলকপগী শরুক অমা ওইনা তোর্বুং বাংলাদা লৈরম্বা হান্ননা মৈ থাদোকখ্রবা মীতৈগী য়ূম ১০০ রোম তেমখায়খ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মতম অসিদা চুড়াচান্দপুর রোমদগী অহানবদা কুকি-জো নুপী লিশীং ৭ লোম মখূৎতা মতিক চাবা থাঙ-তেননচিংবা পায়দুনা তোর্বুং বাংলা তম্না থোমজিল্লকখি। য়াম্লবা নুপীশিং অদুনা মফম অদু য়ৌরকপগা ইকান কান্নদনা নুপা ২০০ রোমসু মখূৎতা শিবা য়াবা খূৎশু-খূৎলায় পায়দুনা মফম অদুদা থুংলখি। অদুগা ঙাইহাক কান্নরবা মতুংদনা কুকি-জো ফুরুপকী লমহেন-তুহেনবা নুপা লিশীং ৩ লোম চঙশিল্লকখিবনি। মখোয়না পুরকখিবা জে সী বি ৫ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

১ শোকপদগী অহানবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েং চথুরবা মতুং অমুক রাজ মেদিসিটিদা পুরক্তুনা লায়কন্নখি।

মখা তানা নোংমৈ কাপ্পরকপদা ক্বাক্তা কৈথেল ময়াদা লৈবী নুপী অমগী ওই থংবা ফৈগন্দা নোংমৈ মরূ অমা পান্দুনা শোকখি। লোয়ননা ভিলেজ গার্দ ৪সু শোক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদসু মীওই ৫ শোক্তুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## কর্ফিয়ুগী ফীভম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ফীভম য়েংলগা হয়েং ওগষ্ট ৬কী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনদি কর্ফিয়ু কোমথোক্লরোই। অদুগা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অমদি চুড়ানচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনদি অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্কনি।

## অহেনবা সিক্যুরিটি পুশিল্লকপা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ফীভম হেন্না লুশিল্লকপদগী মণিপুরদা অহেনবা সিক্যুরিটি কম্পেনি ১০ হয়েং ফাওবগী মনুংদা পুশিল্লক্কদৌরি। ঙসি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদগী হৌরদুনা পাউ অসিনা ইরিবা মতম ফাওবদা এস এস বিগী কম্পেনি ১ অমদি সী আর পি এফকী কম্পেনি ৩ পুশিল্লকখ্রে। পুশিল্লক্কদৌরিবা অহেনবা ফোর্সশিং অদুদি আই টি বি পি, সী আর পি এফ, বি এস এফ অমসুং এস এস বি ঙাক্তনি হায়রি। হায়রিবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অসি হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিবু লাকশিন্নবগী পান্দমদা পুশিল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Indiagi citizen ama oiriba Manipurgi meeyambu India leingakna makhoigi citizen ama oibagi loupham thokpa thoudang loudre haibasi chumbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Khutlai paiba Kuki Militantsingna lousinkhraba Meetei/Meiteising gi khulsingda amuk hanna Meeteisingna hanjinduna leiba ngamgani khanbra?

Yes 86% No 14%

## ‘মণিপুর লৈঙাক্লা থোক্লিবা ইরাং অসি থৌ ৱা শাদে’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** লমদম অসিগী ওইনা ওপোজি সনদা লৈরিবা এম এল এ ৫ না লৈঙাক্তা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা এসেমব্লি সেসন অমা কৌবীনবা কয়ারক হন্না হায়জবদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী সী এস ও শিংনা এসেমব্লি সেসন কৌবীনবা হায়জরবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা তাশিন্নদনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা থৌ-ৱা শাদে হায়বদুময়েক শেংনা উৎলে হায়না খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।



কৈশাম্পাৎতা লৈবা মশাগী ময়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অমদা এম এল এ লোকেশ্বরনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা এসেমব্লি মীফম অমা পাঙথোকউ হায়বা য়াদবসি লাইবক থীবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা থা অসিগী ২১ দা এসেমব্লি মীফম কৌনবা হায়খিবা ৱাফম অদুদি মীয়ামদা লান্না উন্নবা হোৎনবনি। ফমগদৌরিবা মীফম অদু অখন্নবা এসেমব্লি মীফম নত্তে। কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না চহি অমগী শোয়দনা ফমগদবা মীফমশিংগী মনুংদা অমনি হায়খি।

মহাক্লা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক মোর্গতা লৈরিবা অনক্লেইম বোদিশিং অসি ফোরেইনরশিং ওইরম্বা য়াই হায়না সোলিসিটর ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## ফোরেন্নর কুকি মিলিটেন্টশিংগী মোংফম গুজরাট ১দি মিজোরামদা ওইগদবনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মীতৈ মীয়ামদা য়াম্না অকনবা, মীনুংশি য়াওদবগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা লাঞ্জং খক্তা নত্তনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিবু থুগাইনবা হোৎনরিবা ফোরেন্নর কুকি মিলিটেন্টশিং লৈবাক অসিগী গুজরাট অমদি মিজোরাম নত্তনা মফম অমত্তদা মোংফম ওইবা য়ারোই। মোংফম ওইগে হায়রবসু গুজরাট অমদি মিজোরামদা ওইগদবনি হায়না হুইদ্রোম লৈকায় য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ক্লবকী এদভাইজর হুইদ্রোম কর্নজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

হুইদ্রোম লৈকায় য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লূপ হুইদ্রোম লৈকায়না পুং ২৪গী পব্লিক কর্ফিয়ু শৌগৎলদুনা য়াইরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়গী থৌবাল কসোম রোদতা লম্বী থিংবগী খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌখিবা মে ৩দগী ফোরেন্নর কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা চথুরক্লিবা মীহাৎ মীপূন অসিদা ঙসি ফাওবা পি এম নরেন্দ্র মোদি অমদি এন বিরেননা খঙশিন্নদনা তূমিন্না লৈশিনবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। অথুবদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহনগদবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখিবা পব্লিক কর্ফিয়ুবু শৌগৎতুনা উখুল রোদতা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখিবী তেলৌ চনা মৈরা পায়বীগী লুচিংবী অমা ওইরিবী ওইনাম লেম্বীনা ফোঙদোকখিবদা সিক্যুরিটি মতিক চানা লৈরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## লান ওইবনা লূপকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিদ্রে : কে সী পি -এম সী (প্রোগ্রেসিভ)

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ :** কংলৈপাক্তা থোক্লিবা কাঙলূপকী লাননা মরম ওইরগা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ) কী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিদ্রে হায়না কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ) কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী য়েক্লবা বৃটিশ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱাখল্লোন মান্নবা কংলৈচাশিং পুনশিন্দুনা কংলৈপাক (মণিপুর) না মনীং-মখা তম্না অমুক হন্না হিংজনবগী অপাম্বা, অচুম্বা ৱাখল্লোন্দা ইবুধৌ পাখংবগী থৌজাল অমদি য়েক সলাই তরেৎ পোকপী ইমাগী তম্পাকথক্তা মতিং লৈনা য়ূম্ফম থোন্দুনা হৌখিবা ২০০৬কী ওগষ্ট ৩দা কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ) না য়াওল ঈহৌগীদমক খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা য়েক্লবগী মায়োক্তা খুকউ খুদক কুন্দবমখৈ লাম্হেং চথুরক্তুনা লাক্লি। চথুরক্লিবা কে সী পি -এম সীগী লাম্হেং অসি ঙসিদি চহী ১৭ মপূং ফারকখ্রে। ওগষ্ট ৩গী নুমিৎ লাকপা চহী খুদিংগী হৌনবী মতুংইন্না পার্টিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা মমাঙথক্তা লাকখিবনি অদুবু হৌখিবা জুন ৩দগী থোরক্লিবা য়েক্লবা বৃটিশ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দাইরেক্টর ওইরগা শিল্লক্লিবা কংলৈপাক (মণিপুর) গী অপূনবগী শক্তম, ঙমখৈ থুগাইনবা অমদি মালেমদা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপচাশিংনা মনি-মুক্তাগুম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ক্বাক্তাগী মীহাৎ য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** কুকি মিলিটেন্টশিংনা ক্বাক্তা লমখাই ৱার্দ নম্বর ৮দা লৈবা মীতৈগী য়ূমশিংদা তূমদুনা লৈজরিবা মপা-মচা য়াওনা মীওই ৩ মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ আর কে ইমোগী মায়কৈদগীসু সিক্যুরিটি ফোর্স মরাং কায়না লৈনা মতৌ করম্না খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুনা মীতৈগী খুলদা চঙদুনা হাৎলিবনো। মসিগী পাউখুম সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পীগদবনি। লোয়ননা মতম অদুদা দ্যুটি তাদুনা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুদা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## পিছ হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবীয়ু : পলব গুপ্ত

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী এম এল এ খুদিংমক্লা পোলিটিকেলগী খেন্নবা থমদনা এসেমব্লিদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা ৱারী শাদুনা পিছ হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না সী পি আইগী নেসনল সেক্রেটরি পলব গুপ্ত সেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মে ৩দগী থোরক্লিবা ঈরাং অসি থা ৩ হেল্লক্লে। মসিগী মতাংদা সী পি আইনসু হোৎনদুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা অমদি অপূনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কুকিশিংনা অমুক হন্না নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা মীতৈনা খুন্দাবা সনাশাবী খুলদা চাওরাক্লা ঙসি অয়ূক পুং ১১.০৫ রোম তাবা মতমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখ্রে হায়রি।

সনাশাবীগী তাইনবদা লৈবা অরাপ্পা চীংয়াদগী কাপ্লকপা ওইবনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী থৌদোক অদুদা অশোক অপনদি থোইনা য়াওখিদে। অদুমকপু সনাশাবী খুলগী য়ূম কয়াগী পোৎলমশিংদি অতেক-অকায় য়াওখি। সনাশাবীগী খুঞ্জাশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তৎতনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অসিদা খাংবগী পাঙ্গল লোইশিল্লক্লে হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

## থংনবা খুলদা লৈবা কুকিশিংনা লান্দারক্কদ্রা খনবদগী অহিং তূম্বা য়াখিদে

### হকথেংনবা পাউদম
#### মোরেদগী লাঞ্জেল্লকপা খুঞ্জা অনী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** হৌখিবা মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা কুকি নহা ৫/৬না মোরে কৈথেলদা লাক্লগা কৈথেলগী মথক্তা লৈবা চৈশিং লৌথরগা কৈথেল কূপ্লিবা তিনদা অমদি পোৎ চৈ য়োন্নবা থল্লিবা মফমশিংদা চৈনা কন্দুনা অহানবা ওইনা ঈরাং শাগৎলকখি। মদুদা কৈথেলদা ফম্লম্বা অমদি মীয়াম কায়দুনা চেন্নখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা নোংমৈ পায়বা কুকি মিলিটেন্ট খরা অমুক থোরক্লগা নোংমৈ কাপ্পা অমদি দুকান মৈ থাবা হৌরকখিবনি হায়না মোরে তুরেল ৱাংমা ৱার্দ নম্বর ৭তা লৈবী খুমন্থেম অমুচৌবগী লোয়নবী খুমন্থেম ওংবী নলিনি (৪২) না ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিনা অখন্ননা উন্নরুবদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, দুকান মৈ থাবা হৌরকখিবা অদু মোইরাংথেম সোমেন্দ্রো কৌবা অমগী হোটেলদা হান্না এটেক তৌদুনা মৈ থাবা হৌরকখি। লোয়ননা মহাক্কী য়ূমসু অমুক মৈ থারকখি। হোটেল অমদি বিল্ডিং মৈ চাকপা অদুদা পূন্না লুপা লাখ ৭০/৮০ রোমগী পোৎ চৈ তুম্না চাকখি। মোরে কৈথেল অমদি প্রেমনগর কৈথেলসু মথং মথং মৈ থারকখি। লোয়ননা মীতৈশিংনা লৈবা য়ূমশিংসু মৈ থাগৎলকখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা মোরেদা লৈবা কম্যান্দো অমদি ভি দি এফনা মোরেদা লৈরিবা মীতৈশিং পুলিস ষ্টেসনদা কৌরকখি। পুলিস ষ্টেসনদা লৈবদা চন্দবদগী অমুক মোরেদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা চৎখি। অসাম রাইফলসকী কেম্পতা লাকখিবা অদুদা ফিরোল অমত্তা পুরক্তবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মীয়াম অদুনা তূম্ফম-চাফম অমদি ফম্ফম-



হিফম খঙদনা অদুমক লৈনখি। চাক থিনবগী পুখম অমদি চেগী প্লেট লৈতবনা মরম ওইরগা খাঙ্গ্রা উগী মনাদা অমদি টিককী মনাদা নুপা খরদি চাক চান্নখি। অসাম রাইফলসকী কেম্পকী নাকলদা কুকিগী খুলশিং লৈবনা কুকিশিংনা করি তৌরক্কদগে খনবদা অহিং চুপ্পা তূম্বা য়াখিদে। মোরেগী অসাম রাইফলসকী কেম্পতা লৈরম্বা মীয়াম অদুগী মরক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদি টুর মোরেদা লাকপা মহৈরোয় খরসু য়াওরমখি। অদুবু অহানবা ওইনা মীওই ২০০ রোম ইম্ফালদা থাবা অদুদা মহৈরোয়শিং অদু য়াওখি। ঐখোয় হৌখিবা মে ১১দা থোরক্লগা পল্লেলগী আর্মি কেম্পতা অহিং অমা লেক্লগা মে ১২দা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা থুংখি। মদুগী মতুংদা অকাম্পাৎকী আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংলিবা থোংজু কেন্দ্র রিলিফ কেম্পতা মীওই ৭২০ লোম পূন্না চুড়াচান্দপুর অমদি মোরেদগী লাঞ্জেল্লকপশিং অদুগা পূন্না লৈমিন্নখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অস! লোইরেহে!

- চানবসু থব্বসু লৈশল্লক্লে, ইচাশিংসিগা



- মোই পাবুং, হোরেন নুংদাংদি লাইশ্রমগী তুলুদু থাংলুরসি!

## সী এম বিরেন মনা পঙলে, মমিৎ তাঙলে, মীকপ মীরাওখোলতনা নীল্লিবসি ভোট পীদুনা লৈঙাক পায়হল্লুবগী মহয়রা : মীয়াম



পোরোম্পাৎ থৱানথাবা অমদি নোংমৈবুংগী ইমা ইবেলশিং



য়োরবুংগী য়াম্লবা নুপী অমদি নুপাশিংনা লম্বীদা উ মসা ফৈজিন্দুনা মৈ থাবা



তেলৌ চনা নোংঙাদা মৈরা পায়বীশিংনা উখুল রোদ থিংজিনখিবা



হোদাম লৈরক্কী অকোয়বদা লৈরিবা নুপীশিংনা পব্লিক কর্ফিয়ু শৌগৎপা



লম্লাই চলৌ মৈরা পায়বীশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা তকশিনবা



থাংজম খুনৌ অমদি খুরাই সলানথোং পুথিবা লৈকায়



অয়াংপল্লি রোদকী অকোয়বদা লৈবা খুলগী নুপীশিংনা লম্বী থৎপা

MSPDCL

/পব্লিক নোটিস

এম এস পি দি সী এল ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন নম্বর - ১, কৈশাম্পাৎনা কোল্লিবা ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিংগী মফমদা ৱাফম খরা থমজরি মদুদি :-

- ইন্টরনেট থিংজিনখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা প্রিপেদ মিটর বাইপাস তৌরগা শীজিন্নবীগনু, অনকপদা লৈবা Vending Stations i.e Keishampat, Lamphel, Kakwa নৎত্রগা Khuman Lampak তা রিচার্জ কাপ্পীয়ু। ৱেদ চৎপা য়ূমথোঙ খুদিংগী হৌজরে। ওফিসলশিংনা বাইপাস তৌবা থেংনরবদি লিগেল এক্সন লৌখৎচগনি।
- মিটর য়াদবদগী unmetered postpaid তা মৈ থানবীরিবা কঞ্জুমরশিংনসু ওফিসতা লাকপীদুনা মৈগী খাজনা পোষ্টপেদ বিল থিদোকপীয়ু।

খঙহঞ্জরিবা :- B. Shivadutta Sharma
Deputy General Manager, IED-I
MSPDCL, Keishampat

HL-B/8259/5,6,7